HUEIYEN LANPAO
Refreshingly Reliable
হুইয়েন লানপাউ
The messenger of the masses

নুপীলাল নীংশিং নুমীৎ ২০১৯গী মাংওইননা নুপীলাল নীংশিং নুমীৎ ওভজর্ভেসন কম্মিটি জিরিবামনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা নুপীলাল নীংশিং লমজেল



লামায় ৩

ককচীং কৈথেল অপূনবা ইমা লুপকী অনীরকশুবা মপোক নুমীৎ থৌরমগা মরী লৈননা ককচীংগী অঙান চীং ইকো পার্কতা নীংশিং উপাল থাখিবা



লামায় ৫

ইম্ফালদা বেজ তৌবা বিজিনেস হাউস এল *আর এস ইন্দিয়া*গা মালেমগী মমিং লৈরবা ব্রান্দ *ফেসন টি ভি*গা মুন্নাইদা এগ্রীমেন্ট খুৎয়েক পীনখিবা



লামায় ৪

নাওরিয়া এ সীগী মনুং চনবা মফমশিংদা এম জি এন আর ঈ জি এগী মখাদা পায়খৎলিবা শেমগৎ-শাগৎপগী থবকশিং ক্বালিটি মেন্টেন তৌব্রা হায়না এম এল এ সুভাসচন্দ্রনা য়েংশিনখিবা



লামায় ৪

Vol. 43, Issue No.254 | শগোলশেন, পোইনুগী থানিল | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Thursday, December 12, 2019, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

# অকনবা মওংদা য়েৎনরবা মতুং রাজ্য সভাদসু সী এ বি পাস তৌখ্রে

## সী এ বিগী খোঙজং কনশিল্লকপদগী গুৱাহাটিদা কর্ফিয়ু থমখ্রে



ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ১১ (এজেন্সি) :
রুলিং অমসুং ওপোজিসন অকনবা মওংদা য়েৎনরবা মতুং হৌখিবা দিসেম্বর ৯দা লোক সভাদা পাস তৌখিবা সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৯ রাজ্য সভাদসু ঙসি পাস তৌখ্রে।

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা পুথোকখিবা সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল অদু পাস তৌনবগীদমক রাজ্য সভাগী মেম্বর ১২৫ না শৌগৎখি। মেম্বর ১০৫ না বিলগী মায়োক্তা ভোট পীখি।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা লোক সভানা বিল অসি পাস তৌবা লৈখ্রবনি। নিংথৌকাবা অমসুং লৈবাকপোকপা নুমিৎকী লোন্নবা অহিংদা লোক সভাগী মেম্বর ৩১১না বিল অসি শৌগত্তুনা ভোট পীখি। ওপোজিসনগী এম পি ৮০ না বিলগী মায়োক্তা ভোট পীখি।

বাংলাদেশ, পাকিস্টান অমসুং অফঘানি-ষ্টান্দগী অয়াবা য়াওদনা চঙলকপা হিন্দু, খৃষ্টিয়ান, সিখ, পর্সি অমসুং বুধিষ্ট লাইনিং চৎপা মীওইশিং ইন্দিয়াগী সিটিজন ওইহন্নবগী পান্দমদা পুথোরকপা বিল অসিগী মতাংদা ওপোজিসন অমসুং রুলিংগী মরক্তা কন্না য়েৎনরকপদগী রাজ্য সভাদা ঙসি চরাংনবা থোকখি। হাউসকী চ্যেরমেন এম ভেনকৈয়া নাইদুগী য়াথং মতুং ইন্না রাজ্য সভা টেলিভিজনদা লাইভ ওইনা শন্দোকপা হাউসকী প্রোসিদিংস মতম খরা লেপহনখি।

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা বিল অসি পুথোরকপদা ওপোজিসনগী মেম্বরশিংনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর তম্না হোৎচিল্লক্তুনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরকপদগী ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# মণিপুরদা ইন্নর লাইন পর্মিট চৎনরে

## আই এল পি চৎনহনগনি হায়না হোম মিনিষ্টরনা থমখিবা ৱাফম থবক্তা ওন্থোক্তুনা গেজেট ফোঙখ্রে, হরাওমিন্নসি : সী এম



ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচ এন এস) :
ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোভিন্দনা খুৎয়েক পীদুনা ঙসি থোকখিবা গেজেট নোটিফিকেসন অমনা বেঙ্গোল ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়র রেগুলেসন ১৮৭৩ মণিপুরদা এক্সটেন্দ তৌখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিদা ঙসিদগী ইন্নর লাইন পর্মিট চৎনবা হৌরে।

হৌজিক-হৌজিক চৎথরিবা লোক সভা মীফমদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা মণিপুরদা ইন্নর লাইন পর্মিট চৎনহল্লগনি হায়না হৌখিবা দিসেম্বর ৯দা লাউথোকখ্রবা মতুং নুমীৎ নীনি লৈরগা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সনা দি এদাপ্টেসন ওফ লো ২০১৯ ঙসি ইস্যু তৌরদুনা মণিপুরদা বেঙ্গোল ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়র রেগুলেসন ১৮৭৩ চৎনহনখিবনি।

অরুনাচল প্রদেশ, নাগালেন্দ অমসুং মিজোরামগী মতুংদা আই এল পি চৎনবা ইন্দিয়াগী মরিশুবা ষ্টেট অসি মণিপুরনা ওইরে। আই এল পি চৎনবা ষ্টেটশিংদা মপান লৈবাক্তগী নৎত্রগা লৈবাক অসিগী অতোপ্পা মফমশিংদগী মীয়াম্না লাক্কে হায়রবদি মাংজৌননা লৈঙাক্তগী অয়াবা অমা লৌবা মথৌ তারিবনি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা, মণিপুরদা আই এল পি চৎনহনগনি হায়না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা থমখিবা ৱাফম থবক্তা ওন্থোক্তুনা গেজেট নোটিফিকেসন থোকখ্রে। মসিগীদমক ঐখোয়না হরাওবা ফোঙদোকমিন্নসি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটেরিয়টতা কনফরেন্স হোলদা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা হায়খি, য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা লাউথোকখিবা ৱাফম থবক্তা ওন্থোকপগা লোয়ননা আই এল পি মণিপুরদা এক্সটেন্দ তৌরে। মণিপুরদা ঙসিদগী আই এল পি চৎনবা হৌরে। য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা পার্লিয়ামেন্টতা এস্যুরেন্স পীখিবগা লোয়ননা থবক্তা ওন্থোরকপনি। গেজেট নোটিফিকেসন থোকখিবগা লোয়ননা আই এল পি খুদক্তগী চৎনবা হৌখ্রে। মণিপুর মীয়াম্না মতম শাংনা তান্নরকপা অদু ফংলে। মসি য়াম্না নুংঙাইবা অমনি। মসিগীদমক প্রাইম মিনিষ্টর অমদি হোম মিনিষ্টরবু থাগৎপা ফোঙদোক্লি।

ষ্টেটসিগী য়েলহৌমীশিং লো অসিগী মখাদা প্রোটেক্ট তৌরগনি। সেন্ট্রেল লিদরশিংনা ষ্টেট অসিগী মীয়ামগীদমক খল্লগা পোজিটিভ ওইবা খোঙথাং অসি অতেনবা মতমগী মনুংদা লৌখৎলকখিবনি। সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং, মৈরা পায়বী, পোলিটিকেল পার্টি কয়ানা আই এল পি চৎনহন্নবা খোঙজং কয়া চঙশিন্দুনা লাকখিবনি। ইলিগেল ইমিগ্রেন্টশিং চেক তৌনবগী থবক পায়খৎপা হৌরগনি। আই এল পি চৎনবগী মরী লৈনবা প্রোসেসশিং অদু হৌজিক সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা পায়খৎলক্লগনি। ষ্টেটসিগী বোর্দর এরিয়াশিংদা মীতোপশিং চঙথোক-চঙশিনগী চেক চৎথবা হৌরগনি। ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংদা এন আর সীগী থবক পায়খৎনবা সেন্ট্রেল লিদরশিংনা মীৎয়েং চঙলি। ষ্টেট অসিদসু এন আর সীগী থবক পায়খৎকনি।

ষ্টেটসিদা এজিটেসন তৌবদা অমাঙ-অতা থোকহল্লকপনচিংবা য়াওবশিংগী মথক্তা চপ চাবা থবক লৌখৎকনি। এফ আই আর পান্দুনা মীওইশিং অদুনা থবকনচিংবা চঙনবা হোৎনরকপদা খুদোংচাদবা মায়োক্লরক্কনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

## নুপীলাল নুমীৎকী পাউজেল পীনরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচএন এস) :
নুপী লালগী নীংশিং নুমিৎকা মরী লৈননা মণিপুরগী গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলা অমসুং চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন য়াওনা মীয়ামদা পাউজেল পীনরক্লি।

রাজ ভবনদগী থাদোরকপা চেরোল অমদা গভর্ণরনা হায়, মণিপুরগী চেঙ পুম্নমক মপান্দা থাদোকখিবদগী ষ্টেট অসিদা চাক তাংবা থোরকখিবা মতমদা নুপীশিংনা হৌরকখিবা নুপীলাল হায়না খঙনবা ইহৌ অদু মণিপুরগী পুৱারিদা মরু ওইবা মফম অমা কন্দুনা লৈরি।

মণিপুরবু হেন্না চাকহোং ঙাহোংবগা লোয়ননা ইং তপ্পা পুরক্নবগী মতাংদা মীয়াম্না অমত্তা ওইনা ৱারেপ লৌমিন্নবা তারবদি থৌরম অসি পাঙথোকপগী ৱাহন্থোক হেন্না লৈগনি হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, দিসেম্বর ১২না লাকপদা ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## আই এল পিনা সী এ বি থিংবা ঙমগদ্রা, বিলসিগী মায়োক্তা লেপখিগনি : কোংগ্রেস

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচএন এস):
আই এল পিনা সী এ বি থিংবা ঙমগদৌরিব্রা হায়বা ৱাফম হংনিংঙাই ওই। য়েলহৌমীশিংদা শোকহনগদবা সী এ বিগী মায়োক্তা কোংগ্রেসনা লেপখিগনি হায়না মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী ভাইস প্রসিদেন্ট টি মঙ্গিবাবুনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

কোংগ্রেস ভবনদা পাউমীশিংগা উনবদা টি মঙ্গিবাবুনা হায়খি, সিটি-জন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল অসি মোদি-শাহ গভর্ণমেন্টনা নোর্থ ইষ্টতা ইথনিকেল্লি ক্লিন্স তৌনবা এটেম্প চৎথবনি হায়না রাহুল গান্ধীনা ত্বিটরদা থাগৎলি। বিল অসি নোর্থ ইষ্টতা ক্রিমিনেল এটেক চৎথবনি। নোর্থ ইষ্ট ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## নুপীলাল থৌরমগী শেম শাবগী থবক্লা ইম্ফাল মনুংদা ট্রাফিক জাম থোকহনখ্রে, মীয়াম পেন্নখিদ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচ এন এস) :
মণিপুর লৈঙাক্কী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা মাংজৌননা লাউথোকপা তৌদনা নুপী লাল নুমীৎ থৌরমগী ষ্টেজ শেম শাবগী থবক্লা মরম ওইরগা লম্বী থিংখিবদগী ইম্ফাল মনুংদা নুমীৎ চুপ্পা ট্রাফিক জাম থোকখ্রে। মীয়াম পেন্নখিদ্রে।

ষ্টেটকী থাক্তা হয়েং পাঙথোক্ক-দৌরিবা নুপীলাল নুমীৎ থৌরমগা মরী লৈননা ষ্টেজ শেম শাবগীদমক ঙসি অয়ুক্তগী হৌনা নুপী লাল কমপ্লেক্স মমাংগী লম্বী থিংখি। মরুওইবা লম্বী অসি থিংখিবনা মরম ওইরগা ঙসি অয়ুক পুং ৯ লোম তারকপদগী নুমিদাং পুং ৭ লোম তাবা ফাওবা ইম্ফালগী তোঙান-তোঙানবা লম্বীশিংদসু ট্রাফিক জাম থোকখি। ইম্ফাল পোষ্ট ওফিসকী ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## এসেম্বলী সেসন দিসেম্বর ১৮ দগী হৌরগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচএন এস) :
১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলীগী ৯লকশুবা সেসন থা অসিগী ১৮ দগী ২০ ফাওবা নুমীৎ হুম্নী ফম্লগনি।

মখা লামায় ৩ কলম ১

"PUBLIC APPEAL"
GM-II, MSPDCL

MSPDCL না পাউগী খূথাংদা হায়জখিবগী মতুংইন্না মখাদা পঙ্গরিবা H.T. অমদি L.T. Consumer 8 অসিগী মৈগী Connection Due য়াম্না তোনবনা ককথৎচরে।

1. Reliance Jio Tower I, Chandel div.
2. Reliance Jio Tower II, Chandel div.
3. Reliance Jio Tower III, Chandel div.
4. Sangaiyumpham Sabal Khunou 100 KVA, Thoubal
5. Sangaiyumpham Sabal Khunou 63 KVA, Thoubal
6. Sangaiyumpham Salamacha 250 KVA, Thoubal
7. Tekcham Laipham Konjil 63 KVA, Thoubal
8. Railway Officers Resthouse 63 KVA, MST, IED-I

MSPDCL গী ইকাই খুম্নজরিবা H.T. অমদি L.T. Consumer শিংনা নিয়ম চুম্না মৈ শীজিন্নবীয়ু অমদি চাং নাইনা থাগী খাজনা থীদোকপীয়ু হায়জরি।

*খঙহঞ্জরিবা :* GM-II, MSPDCL

HL-B/5890/12

DRIVER পামজৈ

Light Vehicle ফজনা থৌবা হৈবা দ্রাইভর খরা অথুবদা পামজৈ। কনাগুম্বা দ্রাইভর ওইবীনিংবা মীওইশিংনা মখাদা পীরিবা মোবাইল নম্বর অসিদা কন্টেক্ট তৌরক্তুনা অকুপ্পা মরোল খঙবীবা য়াগনি।

Salary :
Rs. 8000 - 12,000/- per month

*অকুপ্পা মরোলগীদমক :*
Contact : 7423081322

HL-C/157/13&14




HL-B/5888/12

HL Poll
Q: Rajya Sabha da CAB pass toukhiba asina North East State shingda changshilliba khongjang asi henna kanshillaklagani khanbra?
POLL CLOSES AT MIDNIGHT
Yes | No
Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu
NGARANG GI RESULT
Q: Indian Constitution na piriba tongan-tonganba right sing lamdamsigi meeyamna mapung fana fang e haina khanbra?
Yes 05% No 95%

ঈং-অশাগী পাউ
খ্বাইদগী শাবা ২১ °C খ্বাইদগী ঈংবা ১১ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০০ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.৪৯
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.২৬

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩ দা

## অস! লোইরেহে!

- ইতাউবী নিংথম থা অসিদা নৎত্রবদি ঐখোয়সি লুহোংবা য়াদ্রবজাৎলা...!



- ঐনা লুহোংবা মতমদসু মদুমক ঐনা হংখি ইতাউবী...!

HL-P/4095/9/10-8/11

